# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL,SUNDAY, DECEMBER 18, 2016 PAGE 7




*দুবাইদা পাংথোকপা ৱার্ল্ড সুপর সেরিজ বেদমিন্টন ফাইনেলগী নুপীগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা মাইথিহৌরবদি ইন্দিয়াগী শান্নরোই পি ভি সিন্ধু*

*লন্দন চেছ টুর্নামেন্টতা মরিরক থংনা-থংননা দ্রো চৎখিবদগী অতোপ্পা শান্নরোইশিংগী পুন্না ৫ শুবা পোজিসনদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বানথন অনন্দ*



## সজিৱা জেল স্পোর্তস মীত পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল , দিসেম্বর ১৭ ঃ

মণিপুর সেন্ত্রেল জেল সজিৱাগী অথোরিতিনা শীন্দুনা হৌখিবা চহী অহুমদগী লেপ্তনা পাঙথোক্লিবা সজিৱা জেলগী ইনমেতশিংগী ওইবা ৩ শুবা চহীগী স্পোর্তস মিত ঙসি মণিপুর পুলিসকী এ দি জি পি (ইন্তিলিজেন্স এন্দ প্রিজন) পি দোঙেলনা চীফ গেস্ত ওইদুনা লোইশিনখ্রে।ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা পি দোঙেলনা হায়, জেল মনুংদা লৈরিবা ইনমেতশিংগী ওইবা স্পোর্তস মীত অমা পাঙথোক্তুনা মখোয়গী মরক্তা স্পোর্তিং স্পিরিত অমা শাগৎনবা জেল অসিগী অথোরিতিনা শীল্লিবা অসি থাগৎনিংঙাই ওই। অসিগুম্বা মীত অসিনা ইনমেতশিংগী মরক্তা নুংশিনবা হেনগৎহনবা অমসুং অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন পোকহনবগী মথক্তা মখোয়গী লমচৎ-শাজৎ ফজিহল্লক্নবগী অচৌবা মচাক অমা ওইগনি।মপান্দা লৈকায় লৈকায়গী ক্লবশিংনা শীন্দুনা স্পোর্তস মীত পাঙথোক্তুনা চহী চুপ্পা ৱাখল পোথাফম খঙদনা লৈরিবা মীওইশিংবু ঙাইহাক্তং ওইরবসু পোথানরি। জেল অসিগী মনুংদা লৈরিবা ইনমেতশিংগীসু চহী চুপ্পা ৱাখল ৱানা লৈরক্লবা মতুং অসিগুম্বা স্পোর্তস মীত অসিনা পোথাফম পীরি হায়না দোঙেলনা মখা তানা ফোঙদোকখি।জেল অসিগী এস পি ফাতনিতফাংনা হায়, থা অসিগী ১দগী হৌদুনা চত্থরকখিবা ৩ শুবা চহীগী স্পোর্তস মীত অসিদা পুন্না ইনমেত ৩৮৬না শরুক য়াখি। মীত অসিগী শরুক অমা ওইনা ভোল্লিবোল, বেদমিন্তন (সিঙ্গলস অমসুং দবলস), সেপাক তাক্রো, কেরোম (সিঙ্গলস অমসুং দবলস), চেস, তেবল তেনিস (সিঙ্গলস অমসুং দবলস) অমসুং তগ ওব ৱার মশান্না য়াওরি। স্পোর্তস মীত অসিগী ঙসি লোইশিনবা নুমিত্তা জেল অসিগী সেক্তর নম্বর-২ অমসুং সেক্তর নম্বর-৪ গী ইনমেতশিংনা তগ ওব ৱার (থৌরী চিংনবী) ফাইনেল শান্নখি। মেতচ অদুদা সেক্তর নম্বর-২না থংন-থংননা সেত অনী কাদুনা ৱিন্নর ওইখি। ভোল্লিবোলগী ফাইনেল মেতচতা সেক্তর নম্বর-৬ অমসুং সেক্তর নম্বর-২ মরক্তা ফাইনেল মেতচ শান্নখি। মদুদা সেক্তর-২ না ৩-১দা ৱিন্নর ওইখি।

## ইন্দিয়াগী বিজেন্দ্র সিংহ না দব্লিউ বি ও এসিয়া পেসিফিক সুপর মিডলৱেঠ টাইটল বাউত্তা চেকা মাইথিবা পীদুনা দিফেন্দ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৭ ঃ

ইন্দিয়াগী অহানবা প্রোফেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন ওইরিবা বিজেন্দ্র সিংহ না চহি অসিগী জুলাই থাদা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ান ওইরম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেরি হোপ্পু মায়থিবা পীদুনা দব্লিউ বি ও এসিয়া পেসিফিক সুপর মিডলৱেঠ টাইটল ফঙখিবা অদু ঙসি তানজনিয়াগী চেলেনজর ফ্রান্সিস চেকাগোলম্বা তৌনবদা রাউন্দ অহুমদা লোইশিন্দুনা মহাক্না ফঙখিবা টাইটল অদু য়াম্না ফজবা মওংদা দিফেন্দ তৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি নুমিদাং ন্যু দিল্লিদা লৈবা থিয়াগরাস ষ্টদিয়মদা পাংথোকখিবা টাইটল বাউত অদুদা বিজেন্দ্র সিংহ না তনজনিয়াগী বোক্সর ফ্রান্সেস চেকাবু রাউন্দ ১০ শান্নগদবা বাউত অদুদা অহুমশুবা বাউত লোইদ্রিঙৈদা মায়থিবা পীদুনা টাইটল অদু দিফেন্দ তৌখিবনি।

নিংশিংবা য়াই বিজেন্দ্র সিংহ না ঙসি মাইপাকখিবা বাউত অদু থারগা মহাক্কী নৌরিবা প্রোফেসনেল কেরিয়রগী বাউত ৮ লম্বা তৌরকপদা ৭ রক শুবা নোক আউত তৌখিবা বাউত ওইখি।



বিজেন্দরনা ঙসি লম্বা তৌখিবা তানজনিয়াগী বোক্সর অদুনা মহাক্কী হৌখিবা লম্বশিংদগী খ্বাইদগী এক্সরিয়েন্স ওইবা বোক্সর ওইখি। মহাক্কী কেরিয়রদা পুন্না বাউত ৪৩ শান্নরকপদা ৩২ মায়পাক্তুনা লাকখিবনি। মহাক চহি ৩৪ শুরবা বোক্সরনি অমরোমদা ইন্দিয়াগী বিজেন্দরনা চহি ২৭ খক শুবদা ঙাইহরি।

অহানবা রাউন্দ অদু বোক্সর অনীমক পোইন্ট ফঙবা মান্নরপ লৈখি। অদুবু অনীশুবা রাউন্দ অদুদদি বিজেন্দরনা য়াম্না হেনখি। অহুমশুবা রাউন্দগী মিনট ১.৫৬ য়ৌরকপদা বিজেন্দরগী এটেক্ট অদুদা ফ্রান্সিস চেকা উপায় লৈতদুনা সিরেন্দর তৌখিবনি।

## দিএগো কোস্তাগী পাঞ্জলনা ইংলিস প্রেমিয়ার লীগকী মেটচ অমদা খৃষ্টেল পেলেসপু মায়থিবা পীদুনা চেলসি পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাদুনা লৈরি



*খৃষ্টেল পেলেসকী মাইয়োক্তা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা চেলসিগী শান্নরোই দিএগো কোস্তা (য়েৎলোমদগী অনীশুবা)*

লন্দন, দিসেম্বর ১৭ ঃ

ইংলেন্দদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়ার লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দিএগো কোস্তানা খৃষ্টেল পেলেসকী মায়োক্তা চনখিবা পাজলনা মায়পাক্তুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইরিবা লিভরপুলদগী পোইন্ট ৯ হেল্লগা পুন্না পোইন্ট ৪৩ ফঙলগা মাংজিল থাদুনা চৎলি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী হৌরকপদা টিম অনীমক্কী মাইকৈদগী অহেনবা পাঙ্গল পুথোক্নদুনা পাজল চনবা ঙম্নবা হোৎনরকখি। শান্নবগী মিনট ৩০ লানশিল্লবা ফাওবদা টিম অনীমক পাজল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি। অহানবা হাল্ফ য়ৌগদবা মিনট অমত্তা ঙাইরবা মতম অদুদা চেলসিগী মাইকৈদগী ষ্ট্রাইকর দিএগো কোস্তাগী য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমনা খৃষ্টেল পেলেসপু হাল্ফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল অমা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা দিএগো কোস্তাবু টিম অদুগী মেনেজরনা শিন্দোকখি। মরমদি মহাক অহানবা হাল্ফকী ২২ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা ফঙদুনা বুক তৌখিবনি।

খৃষ্টেল পেলেসকী মাইকৈদগী শোৎথখিবা পাজল অদু হন্দাক্নবা য়াম্না কান্না হোৎনখি। অদুবু চেলসিগী মাইকৈদগী অকনবা দিফেন্সিব ওইবা মওংদা শান্নবা ঙমখিবা মরম্না মখোয়না হোৎনখিবা খুদিংমক অরেম্বা তাখি।

৮৩ শুবা মিনটতা খৃষ্টেল পেলেসকী মাইকৈদগী দেমিয়েন দেনালিনা ফাউল তৌরুবদগীদমক মহাকসু য়েল্লো কার্দ ফঙখি। নাকল অরোমদা চেলসিগী মাইকৈদগীসু জেক ফ্রেবিগাস য়েল্লো কার্দ ফঙবা ঙমখি। মেটচ অদু পাজল ১-০ দা চেলসিনা থোইদুনা ইংলিস প্রেমিয়ার লীগকী পোইন্ট টেবলদা টিম অসিনা মেটচ ১৭ শান্নবদা ১৪ মাই পাক্লবা মতুং দ্রো অমা চৎখিবা অমদি মেটচ অনী মায়থিবা নংখিবা অদুনা মরম ওইরগা পুন্না পোইন্ট ৪৩ ফঙদুনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্লনা লৈরিবা লিভরপুলগী পোইন্ট ৩৪ দগী পোইন্ট ৯ হেন্দুনা লৈরি। লিভরপুলগা চপ মান্ননা অর্সেনেলসু মেটচ ১৬ শান্নবা পোইন্ট ৩৪ ফঙদুনা লৈরি অদুগা মেঞ্চেতর য়ুনাইটেদনা মেটচ ১৬ তা পোইন্ট ৩৩ ফঙলগা অহুমশুবদা লৈরি।

স্পেনদা পাংথোকপা লালিগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১৬ শুবা রাউন্দ অমদা ভিলারিয়েলনা স্পোর্টিং গিজোলবু পাজল অহুম অমদা মায়থিবা পীদুনা ভিলারিয়েল লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মরিশুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ভিলারিয়েলনা স্পোর্টিং গিজোলবু অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা পাজল ২-০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচ অসিগী অহানবা পাজল অদু শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা ভিলারিয়েলগী জোন্থান দোস সন্তোসনা চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাজল অদুগী মতুং টিমমেট নিকোলা সানসোনেনা ১৯ শুবা মিনটতা পাজল অমগা চন্দুনা স্পোর্টিং গিজোলবু ২-০ দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী ৭৪ শুবা মিনটতা ভিলারিয়েলগী অলেকজেন্দর পাটেলনা টিম অদুগী অহুমশুবা গোল হাপচিনখি। অদুগা শান্নবগী অরোইবা মিনটতা স্পোর্টিং গিজোলগী মাইকৈদগী কালোস কামোনানা পাঞ্জল অমা চন্নগা মেটচ অদু ভিলারিয়েলনা ৩-১ দা থোইখি। ভিলারিয়েল মেটচ ১৬ শান্নখিবদা পোইন্ট ২৯ ফঙদুনা মরিশুবদা হাইগৎখি। লীগ অসিগী ওইনা রিয়েল মাদ্রিদনা মেটচ ১৫ শান্নবদা মেটচ অমত্তা মাইথিদনা পোইন্ট ৩৭ ফঙলগা মকোক্তা লৈরি।

## মণিপুরনা অনীশুবা ও দি আইদা বিহারবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ ঃ

লুৱাংপোকপা ক্রিকেত স্তেদিয়মদা চত্থরিবা বিহার অমসুং মণিপুর অনীগী বাইলেতরেল সেরিজগী শান্নখিবা অনীশুবা ও দি আইগী মেতচতা মণিপুরনা বিহারবু রন ১১দা মায়থীবা পীদুনা সেরিজ অসিগী ও দি আই মেতচ অনী মাঙজীল থারগা চৎখ্রে। মণিপুর ক্রিকেত এসোসিএসন্না শীন্দুনা মশান্না অসি হেন্না চাওখৎনবা অমসুং লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংবু হেন্না এক্সপোজর ফংনবা পান্দমদা হৌখিবা চহীদগী চত্থরক্লিবা বাইলেতরেল সেরিজ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেতচ অদুদা মণিপুরগী সুলতাননা ওফ দি আই মেতচ অনীগী মেন ওফ দি মেতচ তাদুনা মণিপুর ক্রিকেতকী ইতিহাসতা অনৌবা তাঙ্কক অমা শেম্বা ঙমখ্রে। বাইলেতরেল সেরিজ অসিগী শান্নখিবা ও দি আইগী মেতচ অদুদা মণিপুরনা হান্না বেত্তিং তৌখিবদা ওভর ৩৭.৪ দা ওল আউত ওইরগা রন ১৪৮ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা বিহারনা অপীবা ওভর ৪০গী মনুংদা ওভর ৩৬.১ দা ওল আউত ওইরগা রন ১০৩ লৌখিবদগী মেতচ অদু মণিপুরনা রন ৪৫ দা মায় পাকখি। ঙরাং শান্নখিবা অহানবা ও দি আইগী মেতচতা মণিপুরনা বিহারবু রন ১১দা মায়থীবা পীখিবনি। অহানবা ও দি আই মেতচতা বোল ৪১ দা রন ২০ অমসুং ৱিকেত ২ লৌদুনা মেন ওফ দি মেতচ তাখ্রবা চেম্পকী ওল রাউন্দর সুলতাননা অনীশুবা ও দি আইগী মেতচ অদুদা রন ৩০ অমসুং ৱিকেত ২ লৌদুনা অনীরকশুবা ওইনা মেন ওফ দি মেতচকী তাইতল ফংবা ঙমখি। অনীশুবা ও দি আইগী মেতচ অদুদা রি য়ং স্তারগী গুনিরামনা রন ২৫, ৱাই দব্লিউ সিগী প্রফুলোমনিনা রন ২৩ অদুগা সাইক্লোনগী হোমেন্দ্রানা রন ১৪ লৌদুনা অপুনবা রন ১৪৮ শাগৎপা ঙমখি। অহানবা ইনিংস অদুদা বিহারগী নিলমবুজনা ৱিকেত ৩, প্রকাস অমসুং প্রমোদ য়াদবনা ৱিকেত ২-২ লৌখি।মেতচ অদু মায় পাক্লবগীদমক বিহারনা রন ১৪৯ তার্গেত তৌদুনা অনীশুবা বেত্তিং তৌখিবদা অকাসনা রন ১৭, রাহুলনা রন ১৫, প্রমোদনা রন ২৩ অদুগা নিলমবুজনা রন ১৪ লৌখি। ইনিংস অদুদা মণিপুরগী সুলতান, হোমেন্দ্রো অমসুং কেনেদিনা ৱিকেত ২-২ অদুগা ৱিলিয়মনা ৱিকেত ৩ লৌখি।

## ইংলেন্দনা অহানবা ইন্নিংসতা রন ৪৭৭ লৌখ্রে

### ইন্দিয়ানা ইন্নিংস হৌরকপদা ৱিকেট তুদনা রন ৬০ লৌদুনা লৈরি

চেন্নাই, দিসেম্বর ১৭ ঃ

ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা ঙরাংদগী শান্নবা হৌখিবা ৫ শুবা অমদি অরোইবা টেষ্ট মেটচ অদুগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ইংলেন্দনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদু রন ৪৭৭ লৌরগা লোইশিনখি। লোয়ননা ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংস শান্নবা হৌরকপদা রন ৬০ লৌরগা ৱিকেট অমত্তা তুদনা লৈখিবদগী পুন্না রন ৪১৭ শোৎথদুনা লৈরি।

ঙরাং অহৌবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ইংলেন্দনা ৱিকেট মরি তুরগা রন ২৮৪ লৌখিবনি। মতম অদুদা মোইল আলি আউত ওইদনা রন ১২০ অদুগা বেন ষ্টোক্সনা রন ৫ না লৈখিবনি।



ঙসি ইংলেন্দনা মখাতা ইন্নিংস চত্থরকপদা মোইল আলি অমদি বেন ষ্ট্রোক্সকী পাটনর অদু ঙন্না ইন্দিয়াগী বোল্লর আরসিম্বন্না থুগাইখি। ষ্টোক্স রন ৬ তা আউত ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা জোস বটলরসু ইকুই-কুইদনা রন ৫ লৌরম্লগা ইসান্ট শর্ম্মনা আউত তাহনখি।

৮ শুবা বেটচমেন লিয়াম দোসন শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না মোইল আলিনা ইংলেন্দগী অপুন্বা স্কোর অদু ৩২১ ফাওবা পুখৎলকখি। মোইন আলি মশাগী রন ১৪৬ শুরকপদা ইন্দিয়াগী উমেস জাদব্না আউত তাহন্দুনা ইংলেন্দগী ৭ শুবা ৱিকেট অদু রন ৩২১ দা তুখি।

৯ শুবা বেটচমেন ওইখিবা অদিল রসিট অমসুং লিয়াম দোসন্না ৮ শুবা ৱিকেট পার্টনরসিপগীদমক রন ১০৮ লৌদুনা অপুন্বা স্কোরদা হাপচিনখি।

রন ৪২৯ শুরকপদা অদিল রসিট মশাগী রন ৬০ লৌরম্লগা উমেস য়াদব্না আউত তাহনখি।

১০ শুবা বেটচমেন ষ্টোর্টি ব্রোদ রন ১৯ দা রন আউত ওইখি। অরোইবা বেটচমেন ওইখিবা জেক বোল অমসুং আউত ওইদনা লৈরিবা লিয়াম দোসন্না রন ২২ হাপচিল্লবা মতুং টিম অদুগী অহানবা ইন্নিংসকী স্কোর অদু ৪৭৭ শুরকপা জেক বোল রন ১২ দা আউত ওইবদগী ইংলেন্দগী অহানবা ইন্নিংস অদু লোইশিনখিবনি। লিয়াম দোসন আউত ওইদনা রন ৬৬ লৌদুনা লৈখি।

ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী ওল রাউন্দর রবিন্দ্র জাদেজানা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি। মহাক্না ইংলেন্দগী বেটচমেন অহুম আউত তাহনবা ঙমখি। অমরোমদা টেষ্ট সেরিজ অসিদা নৌনা শরুক য়াদুনা অরোইবা মেটচ অদুদা ইংলেন্দগী বেটচমেন অনী আউত তাহনবা ঙমখিবা ইসান্ট শর্ম্মা, উমেস জাদবকী মাইকৈদগী ৱিকেট অনী লৌবা ঙমখি। লোয়ননা রবিচন্দ্রন অশ্বিন অমদি অমিট মিশ্রসু ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি। ইংলেন্দগী ইন্নিংস অদুদা পুন্না সিক্স তরুক অমদি ফোর ৩৯ য়ৈখি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস হৌরকপদা লোকেস রহুল অমসুং পরথিপ পাটেলনা ইংলেন্দগী বোল্লরশিং অদু নিংথিনা মায়োক্লদুনা ঙসি টেষ্ট মেটচ অসিগী নিনি চনবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিল্লকপদা পুন্না রন ৬০ লৌবা ঙমখি।

রহুলনা বোল ৬৮ মায়োক্লবদা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩০ লৌদুনা লৈরি । অরোমদা পরথিপ পাটেলদা বোল ৫২ মায়োক্লবদা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৯ লৌদুনা লৈরি।

ইংলেন্দনা লৌরম্বা রন ৪৭৭ অদুদগী ৬০ খাইদোকখ্রগা হয়েং ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস মখা তানা শান্নরকপদা রন ৪১৭ শোত্থরগা হৌগদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি মেটচ মঙাগী টেষ্ট সেরিজ অসিদা ইন্দিয়ানা মমাংদা মেটচ ৪ শান্নখিবদা ৩ মায়পাক্লগা অমা দ্রো চৎতুনা সেরিজ অসি মাংজৌননা লৌখ্রবনি।

## ৫রক ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইখ্রবী চাইনাগী ডাইভর ৱু মিঞ্জাই পোত্থাখ্রে

বৈজিং দিসেম্বর ১৭ ঃ

মশাগী চহি ৩১ শুরবী চাইনাগী ডাইভর ৱু মিঞ্জাই ওলেম্পিক্সতা মঙারক গোল্ড মেদল লৌখ্রবা মতুং শগোলশেল নুমিৎতা মশান্না অসিদগী পোথানবা ৱারেপ লৌখ্রে। চহি অসিগী অগষ্ট থাদা পাঙথোকখিবা রিও গেমসতা নুপীগী মিটর অহুমগী সিনক্রোনাইজ স্প্রিংবোর্দতসু মায় পাকখিবদগী ৱু মিঞ্জাইনা শুপ্নগী ওলেম্পিক্স মরিদা গোল্ড মেদল মঙা লৌরমখি।

চাইনাগী নেসনেল ব্রোদকাষ্টর ওইরিবা সিসিটিভিদা ৱা ঙাংলদুনা ৱু মিঞ্জাইনা হায়, মহাক তশেংনা নুংঙাইতে অদুবু মহাক্কী হকচাংগী ফিভমনা মহাকপু মখা তানা ট্রেনিং তৌবা য়াহন্দ্রে।

পনবা য়াবদি, চহি অসিগী অঙনবা শরুক্তা ৱুনা মহাক্কী ৱৈবো সোসিয়েল মেদিয়া একাওন্টকী খুথাংদা মখোঙদা অশোকপা নংদুনা রিও ওলেম্পিক গেমসকী মাঙওইননা মহাক্কী ট্রেনিংদা অপনবা পীখিবা অদু ফোংদোকখি অদুগা চাইনাগী অতোপ্পা ডাইভর অমনসু ৱুবু য়াম্না লায়না অশোকপা নংগনবা মীওইনি হায়না তাকখি।

মহাক্কী ৱারেপ অদু লাউথোক্লবা মতুং কপ্লদুনা ৱু মিঞ্জাইনা মখা তানা হায়, নুমিৎ অসি লাক্কনিখনবদা মহাক অসুক্কি মতিক অকিবা পোকখি। মহাক্না শুপ্নগী চহি তরুকখক শুরকপদা কমদৌনা ডাইভ তৌগনি হায়বসি তম্লকখি অমদি চহি ১৩দনা নেসনেল টিমদা য়াওরকখি অদুনা মদুগী চহি ২৫ অদু মঙোন্দদি য়াম্না তেনবা মতমগুম ওইখি। মহাকপু হনবা লৈতনা পুক্লিং থৌগৎতুনা শৌগৎলকখিবগীদমক পুক্ন মকপু থাগৎলি। পনবা য়াবদি, ৱুনা মশাগী চহি ১৯খক ঙাইরিঙৈ মতম কুমজা ২০০৪গী এথেন্সতা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াখি অমদি মতম অদুদগী হৌনা চাইনিজ অসিনা নুপীগী মিটর অহুমগী সিনক্রোনাইজ স্প্রিংবোর্দতা গেমস অসিগী গোল্ড মেদল মরিমক লৌদুনা লাক্লি।

মসিদসু নত্তনা ২০১২গী লন্দন গেমসতসু ৱুনা নুপীগী মিটর অহুমগী স্প্রিংবোর্দ ইভেন্ট তসু গোল্ড মেদল লৌখি।

রিও গেমস ২০১৬তা গোল্ড মেদল লৌখিবদগী ৱুনা গোল্ড মঙা, সিলভর অমা অমদি ব্রোঞ্জ অমগা লোয়ননা ডাইভিংদা ওলেম্পিক্সকী মেদল মশিং খ্বায়দগী য়াম্না লৌবগী অনৌবা পুৱারি অমসু শেমখি হায়না গিনিস ৱার্ল্ড রেকোর্দকী মতুং ইন্না ফোংদোক্লি।

ৱু মিঞ্জাইদা নত্তনা ওলেম্পিক্সতা গোল্ড মেদল মঙা লৌবা চাইনাগী অতোপ্পা ডাইভর চেন রোলিনসু মঙক্তা অশোকপা নংখিবদগী চহি অসিগী ওক্টোবর থাদা মশান্না অসিদগী পোথানবা লাউথোকখ্রবনি। পনবা য়াবদি, চাইনানা রিও গেমসতা ডাইভিংগী গোল্ড মেদল নিপানগী মনুংদা তরেৎ লৌদুনা ওলেম্পিক মশান্নশিংগী মনুংদা লৈবাক অসিনা খ্বায়দগী মায় পাকপশিংগী মনুংদা মসিসু অমা ওইহনখিবনি।

